# মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী মরৈবাক নীংবা কোইরেংসনা

- নানি

**ওগষ্ট ১৩** অসি মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্না মরুওইবা নুমিৎ অমা ওইদুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিদা হায়বদি ১৮৯১ গী ওগষ্ট ১৩ দা মণিপুরগী নীংতম্বগী নুমিৎ তাখি। মনীং মখা তম্না লৈরম্বা মণিপুরগী লৈঙাক্তা মীতোপকী খূৎ চঙশিল্লক্তুনা খোংজোমগী অরোইবা লানফমদা থৱায় থাখ্রবা পাওনা, চিংলেনসনানচিংবা অথৌবা কয়া তুখ্রবা মতুংদা কংলাদা মণিপুরগী ফিরাল চিংথদুনা বৃটিশকী ফিরাল যুংখি। মতম খরা ৱায়েল চত্থদুনা লাক্লবদা, মরৈবাক মরমদমগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা বির টিকেন্দ্রজিৎ (কোইরেংসনা) অমদি থাঙ্গাল জেনরেলবু ফৈদাপুঙদা পুথোক্তুনা মীয়াম পূন্নমক্কী মাঙদা বৃটিশনা মঙক্তা থৌরি থুদুনা হাৎখি। মসিগী মরুওইবা মরমদি বৃটিশকী মায়োক্তা লাল হৌই হায়বগী মরালগা লোয়ননা বৃটিশ ওফিসর ৫ ৱায়েল তৌদনা হাৎখি হায়বগী মরালদনি। ৱাফম অসি নাকন্দা থল্লগা মরুওইবা মরম অমা হায়বা তারবদি নিংথৌ মচা মশেলগী মরক্তা মুক্লবা লাকখিবা, নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী হৌরকখিবা ঈহৌদা মহারাজ সুরচন্দ্রবু নিংথৌ ফমদগী চিংথরগা কুলচন্দ্রবু নিংথৌ খুভম শিন্নখিবা অসিনি। মসিগী হৌরকফম ওইরিবনা পোকমিন্নদবা মচিন-মনাও ওইরিবা সুরচন্দ্র, পকাসনা অমদি কুলচন্দ্র, তিকেন্দ্রজিৎ, জিলাঙম্বা, অঙৌসনা মখোয়গী মরক্তা থোকখিবা মুক্লবশিংদগীনি হায়না পুৱারীগী লাতমদা ইরি। পূন্নমক ওইরবসু বৃটিশনা ইন্দিয়া হায়না খঙনরিবা নিংথৌ পানবা লম পূন্নমক খুদুম চন্দুনা মথং মথং লোই চল্লকপদা অপিকপা চীংনা কোইশিনবা মণিপুরবু খুদুম চন্নবা লম্বী থিরকপদা সুরচন্দ্রগী মায়কৈদা তোংশিন্দুনা বৃটিশনা তিকেন্দ্রজিৎপু ফানবা লাল্লোং শিল্লকপগী মখা তারকপদা ওইরকখিবনি হায়বা অসিনি।

কোইরেংসনা পিক্লিঙৈদগী হৌনা মীনুংশি চাওই, মথৌনা লৈবা, লৌশিং শিংবা অমা ওইনা হৌরকই হায়বা ৱাফম লৈখি। তিকেন্দ্রজিৎ হায়বা অসি কোইরেংসনাগী অতোপ্পা মীং অমনি। মহাকপু বির থোনখিবগী অতোপ্পা ৱাফম অমদি লাঙ্গোলদা কৈ অমা ফাদুনা হাৎখিবদগী থৌনা ফবা বির হায়বা মীংথোল অসি পীখি হায়নরি। য়ামজখিদ্রবা মৈতৈ লাম্মী কয়ানা মরৈবাক মরমদমগীদমক মায়থীবা নংলগনি হায়বা খঙনা খঙনা অকনবা বৃটিশকী মায়োক্তা লান থেংনখি। অসিগুম্বা মরমদমগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংবু নীংশিংবা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না ওগষ্ট ১৩ অসি ষ্টেটকী থাক্তা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিদা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা মখোয়গী মথৌনা মরিংজেল অমদি মমা লৈবাক্কীদমক মখোয়না লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদু নীংশিংদুনা মখোয়গী মরমদা মরুওইবা ৱারোল কয়া থম্লে। স্কুল/কোলেজ/ক্লব/লম্নাই লুপ কয়ানা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

নুমিৎ অসিদা অখন্নবা ওইনা থীএটর গ্রুপশিংনা লৈকাই লৈকাইদা অমদি মশাগী থীএটর হোলদা চহীগী ওইনা অমুক্তং পাঙথোকপা বির তিকেন্দ্রজিৎ নৎত্রগা থাঙ্গাল জেনরেল হায়না মীংথোনবা দ্রামা কয়া উৎতুনা মীয়ামদা নৌহৌননা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিবগী ইথিল পীবা লীলা কয়া শান্নদুনা লাকখি। মদুগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা হৌখিবা চহী ৭ (তরেৎ) কী মমাঙদগী হৌনা ওগষ্ট ১৩ অসিদা "মরৈবাক নীংবা কোইরেংসনা" হায়না মীংথোনবা শুমাঙ লীলা অমা শান্নদুনা মীয়ামদা য়েংহন্দুনা লাক্লি। থীএটর গ্রুপশিংনা শান্নরিবা দ্রামা অদুদগী শুমাঙ লীলা অসিনা খরা তোপ তোপ্পা মশক অমা উবা ফংদুনা লাকই। অয়াম্বনা শান্নরিবা লীলাশিংদি মৈত্রম বিরনা ইরম্বা রূপমহল থীএটরনা মমীং লৈনা শান্নরিবা বির তিকেন্দ্রজিৎ হায়বা স্কৃপ্ট অসিদনি। এম দি য়ুদনা অমুক স্কৃপ্ট অসি নত্তবা অতোপ্পা স্কৃপ্ট অমনি। শুমাঙ লীলাদনা পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মনা ইবনি। শুমাঙ লীলাগীদমক ইবনি। শুমাঙ লীলানি। শুমাঙ লীলাদদি মীয়াম্বু নুংঙাইহনবা হায়বা অসি তঙাইফদবা মচাক অমা লোয়নদুনা মহৌশাদগী লাকই হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। তৌবতবু উৎলিবা অদুনা পীনিংলিবা পূক্লিং ইথিল অদুগী শরুক অদুবু য়াওরবদি শুমাঙ লীলাদদি সিমক ওইগদবনি হায়বা থোইদোকপা লৈতে। নুংঙাইহনবা, য়েংনিংহনবা, নোকহনবা হায়বা অসিনা হেন্না মরুওই। মরৈবাক নীংবা কোইরেংসনা হায়রিবা কাউন্সিলগী লীলা অসি মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লীলা গ্রুপশিংদগী অখন্নবা আর্টিষ্টশিংনা পূনশিল্লগা শান্নবনি। মসিগী থোইদোকপা মহাও অমা তোঙান্না পীবা ঙম্মী। মমিং লৈরবা এক্টর কয়ানা শরুক য়াবা ওইবনা এক্টর অমনা মাগী মাগী তৌফম থোকপশিং খরা খরদং তৌরকপদা মীয়াম্না অদুম পেন্নে। কুমশি কুমগী ওইনসু হৌখিবা



ওগষ্ট ১৩ অসিদা মহৌশাগুম তোঙান-তোঙানবা এক্টর পূন্না এক্টর ৩৬ শরুক য়াখিবা লীলা অসি কোনুং মমাঙদা লৈবা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা উৎখি।

থীএটর গ্রুপশিংনা য়াম্না মমিং লৈনা উৎতুনা লাকপা দ্রামাশিং হৌজিক্তি য়েংবীনবা মীশিং অসি খরা লিকশিল্লক্লে। অদুবু শুমাঙ লীলা অসিদদি অসুক্কী মতিক মী য়াম্না তিনখি। টিকেট লৌদে। লৈবাক্কীদমক মীয়াম পূন্না য়েংনবগীদমক কাউন্সিলনা শীন্দুনা শান্নবনি। কুমশিগী মীশিং অদু অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। থাখিবা ফম্ফমশিং অহাংবা অমত্তা লৈখিদে। ফম্মগা য়েংবা ফংনদদুনা চাওখ্রবা শঙলেন অদু মীনা চোন্না তিনখি। মসিনা তাকই, শুমাঙ লীলা হায়বা অসি মীয়াম্না অসুক্কী মতিক পাম্লি হায়বা। থীএটরদা উৎলিবা দ্রামাগী স্কৃপ্ট অদুদগী শুমাঙ লীলাগী স্কৃপ্ট অসিনা তোঙাল্লি, মায়কৈ অমনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, শুমাঙ লীলাগীদি মীৎয়েং অমনি, মানা পীনিংলিবা মরৈবাক নীংবগী ইথিল অদুগী চাং অদু হাপ্লগা লোইরে। য়েংবা য়াবা লীলা অমদি ওইরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হেন্না ফজহনবা হায়বা অদোমদা য়েংলগদি য়াম্না লৈখিনি। এক্টরশিংগী পর্ফোমেন্স, কোনুংগী চৎনরোল, থৌগল্লোন, ফিজেৎ অমদি শাজৎ শেমদোকপা য়াবা য়াম্না লৈরি খল্লি। কোইরেংসনানা অমদি থাঙ্গালনা হেক হৌবদগী শাফি-লানফী শেৎতুনা লৈবদু য়ানিংলিবরা, দরবার হোলদা নিংথৌ মাঙদা ঙাঙনরিবা কয়া অদু মতিক চারবরা, লীলাগী তাঙ্কক কয়াদা পুশিল্লক্লিবা থৌদোকশিং অদুনা চাওখ্রবা মীরোল অমগী পুন্সি অমদি মতমদুগী লৈঙাক অমদি পুন্সিরোল অদু করম্না অপিকপা অতেনবা মতম খরগী মনুংদা পুশিনবা য়ারিবগে হায়বা অদুদি অতোপ্পা এক্সরসাইজ অমনি হায়না লৌরগা মতুংদা কয়ারক হন্না শেমদোক শাদোক্তুনা মচং ওইবা ঙাক্তা খনগৎতুনা লীলা উৎপা য়ারি। মদুগী মতম শোয়দনা লাকখিনি খল্লি। হৌজিক লৈরিবা অসিদা উৎলিবা খরা অসিনসু মীয়ামদা মরৈবাক নীংবগী ইথিল অমদি মমা লৈবাক্কীদমক কৎথোকখিবা অথৌবশিংগী মরিংজেল, মীৎয়েং অমদি মতিক ময়াইশিং অদুদি খরা অদুম য়াওরে হায়বদা থোইনা লাল্লরোই। তেনশিনবা য়াবা, শাংদোকপা য়াবা হাপচিন্নিংবা শোয়দনা লৈফম থোকই। পুৱারীগী শরু অমা ওইনা লৈখ্রবা ৱারী অমা ওইবনা হিষ্টৌরিকেল ইভেন্টস, ইন্টরপ্রীটিভ হিষ্টৌরিকেল সোসিওলোজিকেল ষ্টেটস, কলচরেল এসপেক্ট, করেক্টেরাইজেসন, ইমোসন হায়রিবা কয়াশিং অসিদা শোয়ফদবা খরদি লৈফম থোকই, মসি এক্টরশিং চেকশিন্না লৌশিন্দুনা পর্ফোমেন্স পীবা অমা চঙই। মরমদি প্লে অসিনা মীরোল মীরোল কয়াদা মতম অমগী অশেংবা থৌদোক্তা য়ূম্ফম ওইবা ৱারী অমা লীগদৌরিবনা য়ারিমখৈ তমজনফম ওইবা মশক অমা শাগৎপা মথৌ তারি। কাউন্সিলনসু হীরম অসোমদা হেন্না মীৎয়েং চঙলকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। খরা অসি লৈজরগসু অসিগুম্বা অখন্নবা প্লে অমা কাউন্সিলনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা উৎলিবা অসিমক্তি মমল য়াম্না য়াম্বা খুদোল অমা ওইনা লৈহৌরগনি।

## মায় পাকখ্রবশিংনা তোখায়বা থবক অমা তৌবা নত্তে, ময়াম্না তৌনরিবদূ অতোপ্পা মওংদা তৌবখক্তনি !

# কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

## মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

### ষ্টিফেন কিং







ষ্টিফেন এদৱার্দ কিংনা নহা ওইনা অইবগী লমদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকপদা কা -হেন্না লাইরবা মীশক অমা ওইরম্মী। ময়ুম ফাওবা শাবা ঙমদবদগী ট্রেলর অমদা লৈদুনা অফং-অফংবা থবক শূরগা নোংমগী চরা তাল্লম্মী। মহাক্কী লোয়নবীশু অইবীনি। অদুবু চরা অনী শূনা চাবা ফংদবদগী থোকঅ-থোকঅবা থবক শূবা হোৎনরিঙৈদা ইনবগী মতম কায়থোকপা ঙল্লমদে। মহাক অশুক্কী মতীক লাইরবা মীশক অমা ওইরম্মী মদুদি লুহোংবদা শেৎনবা ফিরোল ফাওবা মীঙোন্দগী ৱায়বা তারম্মী।

পামজরুবা হায়বদু ওইবনিনা ঙাইহাক শংবদা ৱারী মচা কয়া ইরবশু মদুবু লাইরিক ওইনা ফোঙবীনবা পব্লিসর অমত্তা থিবা ফংলমদে। পব্লিসর কয়াগী মফমদা চৎতুনা হায়জরুই অদুবু হেক্তমক রিজেক্ট তৌরকখি। মীয়াম্না পানিংগদবা ৱারী অমত্তা ওইদবনিনা ফোঙলুরবশু শেল মাঙদুনা তোক্কনি খনবদগী কনামত্তনা ফোঙবীয়ু য়াখিদবনি।

পব্লিসরশিংনা পীরকপা রিজেক্ট তৌবগী চেরোলশিং অদু ফক্লাংদা য়োপ্পী অমা থারগা মথং-মথং অশুম থেৎচিনবদা য়াম্মনবদগী লূমদুনা য়োপ্পী ফাওবা নাম্থোরকখি। অদুবু ষ্টিফেন কিংগী ৱাখলদা নীংহন্নবা খক ফাওরমদে। মতৌ অসুম্না মথং-মথং ৬০ রক রিজেক্ট তৌরল্লবা মতুংদা পব্লিসর অমনা কাইনথংদা কিংগী "দ গ্লাস ফ্লোর" কৌবা ৱারী মচা অদু শূপ্নগী দোলর ৩৫ খক্তা লৈরম্মী। মালেমদা হৌজিক খ্বাইদগী মশীং য়াম্না য়োনবা ঙল্লিবা মহাক্কী ৱারী লাইরিক "কেরি" ফাওবা অহানবদা কনামত্তনা পাবীখিদে।

পূন্নমক অসি ওইদুনসু "মায়থিবা হায়বসি মায় পাক্ল বগী য়ুম্ফম থোনবনি" হায়বা ৱাফমদা চেৎনা থাজজবা কিংনা হনবা লৈতনা হোৎনরকপগী মহয়না ঙসিদি মহাক অইবা অমা ওইনা মায় পাক্লবা মীশক হায়বদু ওইবা ঙল্লিবনি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী লাইরিক কোপি মিলিয়ন ৩৫০ হেন্না য়োনখিবগা লোয়ননা লাইরিকশিংদুদা য়ুম্ফম ওইবা ফীচর ফিল্ম, মিনিসিরিজ, টেলিভিজন শো অমদি কোমিক লাইরিক কয়া পুথোকখ্রবনি।

ব্লেম ষ্টোকর এৱার্দ, ৱার্ল্ড ফেন্টাসি এৱার্দ, বৃটিশ ফেন্টাসি সোসাইটি এৱার্দ, নেব্যুলা এৱার্দ, নেসনেল বুক ফাওন্দেসন এৱার্দ, ও হেনরি এৱার্দ ৱার্ল্ড ফেন্টাসি এৱার্দ ফোর লাইফ টাইম এচিভমেন্ট, কেন্নদিয়ন বুক সেলরস এসোসিএসন লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ অমদি মিষ্টরি রাইটর্স ওফ অমেরিকাগী গ্রান্দ মাষ্টর এৱার্দনচিংবা মনা কয়া ফংখি।

মতৌ অসুম্না অৱাবা কোঙ্গায় মায়োক্লদুনা মায়থিবগী পল কয়া লাম্থোক্লবা মতুংদা য়াম্না ৱানা মায় পাকপা মীশক অমা ওইবা ঙমখিবা ষ্টিফেন কিং, কুমজা ১৯৪৭ কী সেপ্তেম্বর ২১ দা পোর্টলেন্দদা পোকখি. অপোকপগী মিং দোনাল্ড এদবিন কিং অমসুং অপোকপীগীনা নেলি রুথ কৌই। মহাক্লা শূপ্নগী চহী অনী শূরকপদা ঙায়রিঙৈদা অপোকপা মপানা য়ুম থাদোক্তুনা চৎখিবদগী মমা মথন্তনা য়াম্না ৱানা মহাকপু চাউনবা য়োকপীরকখি।

দরহম এলিমেন্টরি স্কুল অমদি লিসবন ফোল্স হায় স্কুলদা মহৈ তম্লকখিবা কিংনা পীক্লিঙৈদগী হৌনা অকি-অখংগী ৱারীদা থৱায় য়াওরকই। মহাক্কী অহানবা ৱারী লাইরিক্তি "ভেরি" নি। মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমদবদগী মরক্তা তোক্লগে হায়না ফাওবা খনখি। অদুবু অখাঙ কনবা অমগা লোয়ননা লোইবা ফাওবদি ইখি। মতুং তারকপদা মহাক্লা "সলেম"স লোটি," "দ শাইনিং", "দ ষ্টেন ", "দ দার্ক তৱর " দ গনস্লঙ্গর" , " ফায়র ষ্টারর," " খৃষ্টিন", "দ দার্ক টাৱর দ্যু: দ ড্রোৱিং ওফ দ থ্রী", "চরজ", "দ লোং ৱাক", "রোদৱার্ক ", "দ রন্নিং মেন" অমদি "থিন্নর" নচিংবা লাইরিক কয়া ইদুনা য়াল্লবা শেনফম অমা তানবা ঙমখি। অঙাং ওইরিঙৈদা ময়ুম ফাওবা লৈরমদবা মীওই অসি মতৌ অসুম্না মমিং চৎপা অইবা অমসুং শেঞ্জাও পায়বা মীশক অমা ওইরকখি।

## ঙা চাবগী কান্নবশিং

চয়োল অমদা মরিরক ঙা চারবদি হকচাংদা অফবা কোলেষ্টরোলগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না থম্মোয়গী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্টর্ন ফিনলেন্দগী কাঙবু অমনা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, চাং নাইনা ঙা চাবা মতমদা হায় দেনসিটি লিপোপ্রোটিন (ঐচ দি এল) গী চাং ৱাংখৎলকই। অফবা কোলেষ্টরোল হায়নসু খঙনবা ঐচ দি এলগী চাং ৱাংনা য়াওরবদি থম্মোয়গী লায়না কয়ামরুম ঙাকথোকপা ঙম্মী।

অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ওমেগা-৩ ফেটি এসিদ য়াওবা ঙা চাবনা টাইপ-২ দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থহল্লি হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্টর্ন ফিনলেন্দগী রিছার্সরশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই খরগী চাবা থকপগী মওং মতৌ কূপ্না য়েংশিনবদা ওমেগা-৩ ফেটি এসিদ য়াওবা ঙা চাবনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিং খঙবা ঙমখিবনি।

*দাইবেটিস ক্যের* জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মশাগী চহী ৪২ অমসুং ৬০গী মনুংদা লৈবা মীওই ২,২১২ শরুক অনী থোক্লা খাইদোক্লগা কাঙলূপ অমদা ওমেগা-৩ ফেটি এসিদ য়াওবা ঙা পীজরম্মী অমসুং অতোপ্পা কাঙবু অমদনা মনা-মশিং ঙাক্তা পীজরম্মী। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ঙা চাবা কাঙবু অদুনা ব্লদ সুগর লেভেল নোর্মেলদা লৈরম্বা থেংনখি।









